ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO®
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাও

লৈখিদ্রবা হোকর ওইরম্বা খোইস্নাম কোবগী মচানুপা টোকিওনা পিসুম ওইনাম লৈকায়গী অহলশিংদা মহাক্কী তোলোপতগী পেন্সনগী শেনফমশিং য়ুম য়ুমদা চৎতুনা য়েন্থোকখিবা

রেজিষ্ট্রেসন সর্টিফিকেটশিং চৎনরি
☛ লামায় ৩

হরাওরৌ সাবল লৈকায়দা ষ্ট্রিট লেম্প থানখ্রে
☛ লামায় ৫

দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংবু ঐখোয়না কৈদৌনুংদা মীরায়রোইদবনি
☛ লামায় ৬

নাইজেরিয়াগী বিল্ডিং নিংখায়বদা শিখিবা মী মশিং ৩৬ শুখ্রে
☛ লামায় ৮

খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা ডা. ক্ষেত্রি কলানা বেনিফিসরি ২৫দা পি এম য়ু ৱাইগী মখাদা চাকথোঙ গ্যাসশিং য়েন্থোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 221 | ইরাই, হিয়াঙ্গৈ নোংমা পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, November 05, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

NEED TO FIND YOUR NAME IN THE ELECTORAL ROLLS?
Visit: www.ceomanipur.nic.in
DOWNLOAD VOTER HELPLINE APP
App Store | Google Play
Chief Electoral Officer, Manipur

হোকর কোবগী মিংদা পেন্সন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): হোকর ওইরম্বা খোইস্নাম কোবগী মীংদা পিশুম ওইনাম লৈকায়গী অহলশিংদা ৱিদো অমদি দিসএবলশিংদা পীদুনা লাকখিবা থা থাগী পেন্সনগী শেনফম ঙসিসু মহাক্কী মচানুপা খোইস্নাম টোকিওনা ইমুং-ইমুংশিংদা হকথেংননা চৎতুনা য়েন্থোকখ্রে। ঙসি পেন্সন য়েন্থোকখিবা খোইস্নাম কোবনা হায়, লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপনা পাউচেশিংবু য়ুমথোঙ খুদিংদা ফংহন্দুনা পাউচে পাহনবগী অচৌবা থৌদাং লৌরম্বনি। মীয়ামগীদমক লৌরল্লিবা থৌদাং অদুবু নীংশিংবা ওইনা মহাক্কী অপোকপগী মিংদা থা থাগী ওইনা মহাক্কী মায়কৈদ্দগী পীজবা পেন্সনগী শেনফমনি। নিংঙোল চাক্কৌবগী মাঙওইননা ঙরাং মহাক্কী তোলোপ ফংবগা পন্থদ্দনা পেন্সনগী শেনফম অসি য়েন্থোকচবনি। মহাক্ক থবক্তগী পোত্থাদ্রিবা ফাওবা য়েন্থোকখিগনি হায়খি।

খুরাই লমলোং কৈথেল শাবা লোইশিনবগী মমি উদ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী লমলোং কৈথেলগী অনৌবা বিল্ডিং কুমজা ২০১৭তগী উরেপ উয়ুং তমদুনা শাবা হৌগৎলকখ্রবসু হৌজিক থবক অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অমা হৌগৎলল্লগা মখা তানা লোইশিনবগী প্লান উদ্রে হায়না খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইগনি থৌরাংলিবা হৈস্নাম সুভাসনা ফোঙদোকখ্রে। ঙসি মহাক্কী য়ুমদা এ সী অসিগী নিংঙোলশিংবু চাক্কৌখিবা থৌরমদা মহাক্ক হায়, পুৱারীগা শাগোন্নরল্লবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম মাঙওইননা মহাক্কী এ সীগী নিংঙোলশিংবু ইকায়খুম্নজবনি। খুরাইদা লৈরিবা নুপীশিং লায়রবনা মশীং হেল্লি হায়রদুনা করিগুম্বা মহাক্কা মায় পাল্লগদি মীয়ামগা খুৎশম্নরগা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং হান্না পায়খৎকনি হায়খি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩২.৩৫°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১১.৭৪°C
মণিপুরগী নোংজ্রুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩২

HL Poll

Q: Mathanggi leingaktadi meeyamgi kanabasing leingak lingbaga panthadana paikhathanningi hainaraklisi achumba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Chinggi districtsingda Covid Vaccine kapthokpagi chang yamna nemlibasi meekhal mamangda loina kapthokpana chumloidra?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

- চোঙবগী সিজন লাক্কৌরে, চোঙবা কন্নবা শাজেল তৌজরে।

- [illegible]



- ঐসু চোঙবগী ত্রেনিং হৌজরে।

- [illegible]

মণিপুরদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল

সেন্ত্রেল এক্সাইজদগী লুপা ৫ ১সুং ১০, মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীনা ভি এ টিদগী লুপা ৭/৭ হন্থরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) : মমাঙগী কুমজা ২০২০গী মার্চকী অরোইবা চয়োলদগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা চহী অমগা থা ৮ লোম কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী চৈথেং মায়োক্লরক্লিবা মণিপুরগী মীয়াম্না তঙাইফদবা পোৎলম অমা ওইনা শীজিন্নরিবা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী মনুংদগী পেট্রোল, দিজল অমসুং এল পি জিগী মমল অতিয়া পক্কা ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরদুনা অমুক্কা হেন্না মায়োক্লহল্লম্বা অৱাবশিংগী মনুংদগী পেট্রোল অমসুং দিজলগীদি ঙরাং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা থাও অনীসিদা লৌরম্বা সেন্ত্রেল এক্সাইজগী চাংদগী মথংশিংনা লুপা ৫ অমসুং ১০ হন্থহনখিবগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু পেট্রোল অমসুং দিজলদা লৌরম্বা ভেল্যু এদেদ টেক্স (ভি এ টি) গী চাংদগী লুপা ৭/৭ হন্থহনখিবনা ঙসিদগী হৌরদুনা থাও অনীসিগী মমল মথংশিংনা লিটরদা লুপা ৯৯.৩৮ অমসুং লুপা ৮২.৫৫গী চাংদা লেপখ্রে।

লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা ঙসি পাঙথোক্লখিবা দিৱালি কুম্মৈগী মাঙওইননা ঙরাং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা পেট্রোল অমসুং দিজলদা হান্না লৌরম্বা সেন্ত্রেল এক্সাইজ দ্যুটিগী চাংদগী লুপা ৫ অমসুং ১০ হন্থহনখিবনি। ঙরাংগী গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওর্দর অদুগী মতুংইন্না হন্থহল্লবা চাংশিং অসি ঙসি (নবেম্বর ৪, ২০২১) দগী হৌনা চৎনবা হৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীনা থাও অনীসিদা লৌরম্বা ভি এ টিগী হান্নগী চাংদগী লুপা ৭/৭ হন্থহনখিবনি। মসিনা মরম ওইরদুনা ঙরাং (নবেম্বর ৩, ২০২১) ফাওবদা মণিপুরদা লৈরম্বা পেট্রোলগী মমল লিটর অমদা লুপা ১১১.৩৫ অমসুং দিজলগীনা লিটর অমদা লুপা ৯৯.৩৮গী চাংদা লৈরম্বদু ঙসিদগী হৌরদুনা পেট্রোলনা লিটর অমদা লুপা ৯৯.৩৯ ওইহল্লগা দিজলগীনা লিটর অমদা লুপা ৮২.৫১গী চাংদা লৈহনখিবনি। অনৌবা হোংলক্লিবা হন্থরবা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমলশিং অসি ঙসিদগী হৌনা চৎনরগনি হায়নসু লাউথোরক্লিবনি।

মীয়ামগী ইসেন্সিএল ...মখা লামায় ৩ কলম ২

মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং চপ চানা ফংহনগনি : কৃষ্ণকুমার

২৬- বিষ্ণুপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি

মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ২৬-বিষ্ণুপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরক্লিবা কোন্থৌজম কৃষ্ণকুমার (৬৬)না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারক্লিবনো অমদি বিষ্ণুপুর এ সীগী অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাল্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী 'মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং' হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পুম্নমক্ক খঙমিন্ননবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্ননা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্ক হায় -

ৱাহং : লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো?

পাউ : অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা অমদি মীয়ামগা লোয়ননা চৎপা য়াম্না পাম্না হৌরকখি। পুন্সিগী খোংচৎতা অৱাবা কয়া অমসু থেংনখিদবা নত্তে, অদুবু তেল্লবা পুন্সি মতেক অসিদা ঐহাক্কা থেংনখ্রিবা অৱাবশিং অদু হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা অমদি ইচা-ইশুশিংদা থেংনহন্নিংদবগী ৱাখল্লোল ফাওবগা

লোয়ননা মখোয়দা অৱাবশিং অদু থেংনরক্তনবা থবক কয়া পায়খৎপা পাম্মীল পায়খৎতুনসু লাক্লি। মখা তানসু থবকশিং অদু পায়খৎকে হায়না পোলিটিক্সকী লম্ অসিদা চঙশিল্লকখিবনি। লোয়ননা ঙসি লৈবাক অসিগী লাইপোকনি হায়নরিবা লুচিংবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়দুনা পীরিবা কান্নরবা স্কিমশিংগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং অদু বেনিফিসরিশিংদা চপচানা ফংবা উদবা অসিদা পেন্দবা কয়াসু ফাওদবা নত্তে। অসিগুম্বা মীয়ামগীনেদি হায়রগা পায়খৎলিবা কান্নরবা স্কিমশিং অসিগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং ফংদবা অসি চপচানা ফংহন্নবগী অচেৎপা ফিরেপ অমদা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ইশাগী ত্রেদিসন অমদি কলচর ঙাক্কদবনি : আর কে রঞ্জন

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): ঐখোয়না ইশা ইশাগী ত্রেদিসন অমদি কলচর অসি য়াম্না মরু ওইবনিনা ঙাক্লবা হোৎনগদবনি হায়বা ৱাফম য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (এক্সটর্নেল এফেয়রস এন্দ এদ্যুকেসন) ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি চীংমৈরোং খোংনাং অনী কারক্তা লৈবা ত্রাইবেল রিসর্স ইন্সটিট্যুটকী হোলদা পাঙথোকখিবা মাও নাগা ৱিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসন, ইম্ফালগী ৫০ রক শুরকপা গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসনগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্ক মখা তানা হায়, ইম্ফালদা মাও কৈথেল অমা শাবগী মতাং অসিদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মায়কৈদগীসু হান্নদগী শাগনি হায়বগী ৱাফম লৈখ্রবনিনা মহাক্ক অমুক হন্না চীফ মিনিষ্টর উনরগা কৈথেল অসি খরা থুনা শানবা তকশিল্লগনি হায়দুনসু ফোঙদোকখি।

মাওগী মীনা মখোয়গী ফার্মদগী পুথোকপা নোংমগী পুন্সিদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং ইম্ফালদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না লৈনৈ। মাওদগী পুথোক্লিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি মহৈ-মরোংশিং ওর্গানিককী ওইবা ঙাক্তনি। মাওগী মীয়াম মরু ওইনা অহল-লমনশিংনা মখোয়গী ফার্মদা মনা-মশিং অমদি মহৈ-মরোং থারিবশিংগী মরক্তা পরেং হায়না খঙনবা উজাও অমমম হৌরিবা অদুবু য়ান্থুৎতনা থল্লিবা করিগীনো হায়না হংলুবদা পরেং হায়না খঙনরিবা মহৈ-মরোং অমসুং মনা-মশিংগী মরক্তা হৌরিবা উ পান্থীশিং অদুনা নাইট্রোজেন য়াম্না শুংবা মরম্না মনা-মশিং অমদি মহৈ মরোংশিং থাবদা য়াম্না কান্নবা পী হায়না খুল্লকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পি ঐচ ঈ দি মিনিষ্টর লোসি দিখোনা ময়ায় তাংবল লৌখি। লোয়ননা থৌরমগা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

এন পি পি নত্তনা পার্টি অমত্তনা অওনবা পুরক্লোই : জয়েন্তকুমার

লংথবাল এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট করাম নবকিশোরনা এন পি পিদা য়াওরকপদা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): মতম অমগী অরিবা পোলিটিকেল সিনারিওগা হৌজিক লৈরিবা অসিগা য়াম্না খেন্নৈ হায়রদুনা ভোটর প্রোফাইল য়েংলকপা মতমদা চহী ১৮দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ভোটরশিংনা চাদা ৬০গী চাংদা লৈগনি অমসুং চহী ৪০গী মথক্তা লৈরিবা ভোটরশিংনা চাদা ৪০ খক্তমক ওইগনি হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা লংথবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইনা থোরক্লিবা করাম নবকিশোরবু নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) দা চঙলকপদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ইরোইশেম্বগী মায়োলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা শরুক য়ারদুনা এন পি পিগী লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবসু ওইরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্ক মখা তানা হায়, মরু ওইবা ভোটর খ্বাইদগী ৱাংলিবা অসি নহা ওইরিবা মীওই কাঙলূপশিংনি। লাইরিক লাইশু হৈবা অমসুং ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি শীজিন্নবা হৈবা অমদি খঙবনা অফ-ফত্তা খন্থবা ঙম্লে। হৌজিক্তি ভেটরান পোলিটিসিয়নগী মতম লোইরক্লে। য়ুথ ৱিং অদুক্কী মতিক কনখৎলক্লে। এন পি পিগী ওইনসু য়ুথ ৱিং হাংদোক্লনা হৌজিক মসিগী থবক খুমাঙ চাওশিল্লি। মরম অসিনা হান্না লৈরল্লিবা অরিবা মখলগী পোলিটিক্স অসিদগী অনৌবা মখলগী হোংলক্লিবা অসিগীদমক খন্দুনা মীয়াম্না মীরেপ খনবীয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এন পি পি, মণিপুরগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এল জয়েন্ত কুমার, এম এল এনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী অওনবা শক্তম অমা পুরক্লবা এন পি পিনা হোৎনবা অসুম্না অতৈ পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা হোৎনবা লৈতে হায়খি। মীখল মতমদা মীয়ামদা উৎ চাইবা অমদি খৎন-চৈনবগী থবকশিং চথরক্লিবা অসি লাইবক থীবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লংথবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা পার্টি অসিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরগদবা করাম নবকিশোরবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পার্টি অসিগী মরু ওইবা মীওইশিংগী মনুংদা জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) সৈখ নুরুল হসন, খুরাই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা এল জয়ানন্দ, য়াইস্কুল এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

লৈবাক নুংশিবা শাবা মীওইদগী মীয়াম চেকশিনসি : কেবি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): পোলিটিক্সতগী পোত্থারগনি লাউথোকখ্রবা নাওরিয়া পাখংলাকপগী মীহুৎ ওইরিঙৈদা থিকা তৌবা, লৈবাক নুংশিবা শাবা মীওইদগী নাওরিয়াগী মীয়াম্না চেকশিনসি হায়না লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরিবী সোরাইসম ওংবী শগোলশেম কেবিনা ফোঙদোকখ্রে।

নাওরিয়া পাখংলাকপদা মীরেপ ওইগদৌরিবা এক্স এম এল এ, আর কে আনন্দদা হান্না শৌগৎলম্বদগী তোল্লগা শগোলশেম কেবিদা নৌনা শৌগৎলল্লবা লাইশ্রম লৈকায়, অখাম লৈকায়, ইরোম লৈকায়, কৈশাম লৈকায়, কোঞ্জেং লৈকায় অমসুং থোকচোম লৈকায়গী নুপী ২৫০ রোম তরাম্না ওকখ্রে। নিংথেমচা কারোংদা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা মথক্কী ৱাফম অসি শগোলশেম কেবিনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্ক হায়খি, হীরম কয়াদা শোত্থরবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎননবা মীয়াম্না টর্ম অনীরক মীহুৎ ওইনা থাগৎখ্রগা করিগুম্বা অহোংবা অমত্তা পুরকপা ঙমদবদগী মমাঙগী মীখলদা মীয়াম্না পাড়া তন্বীদুনা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা পোলিটিক্সতগী পোত্থারগনি হায়না মীয়াম খঙনা লাউথোকখ্রবা, মীয়াম নুংশিবা শাদুনা মীখলগী মতমদা থোরক্লিবা মীওইদগী নাওরিয়াগী লাইরিক লাইশু হৈরবা, ৱাখল লৈরবা মীয়াম্না চেকশিনমিন্নসি। লাক্লিবা মীখল অসিদি হীরম কয়াদা শোত্থরল্লবা নাওরিয়া ...মখা লামায় ৩ কলম ২

এম আই দিপার্টমেন্টনা পর্সেন্টেজ পীদবদগী ৱার্ক ওর্দর পীথোক্তে

বি জে পি শৌগৎলম্বা ইমুং ৪৩গী মীওইশিং কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): মাইনর ইরিগেসন লোয়শঙগী মখাদা শুগুনু এ সীদা লুপা ক্রোর ২.৮০ লোম চঙনা লৌমী মীয়াম্না লৌউ-শিংউবদা হেন্না খুদোং চানবা তোঙান তোঙানবা মফম ৫দা পায়খৎকদবা থবক শুনবগী ৱার্ক ওর্দর লৌবদা মরী লৈনবা লোয়শঙনা থবকশিং অদুগী চাদা ১০গী শেনফম পীদ্রবদি ৱার্ক ওর্দর পীবা য়ারোই হায়রিবসি চীফ মিনিষ্টরনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ভেক্সিন কাপথোকপা লাখ ২০ শুদৌরে

অনৌবা কেস ৫৮ থেংনখি, ১ লৈখিদে, এক্তিভ কেস ৭০৪ লৈরি, ফগৎলকপগী চাং চাদা ৯৭.৮৮ য়ৌরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): কুমজা ২০২০গী মার্চকী অরোইবা চয়োলদগী ষ্টেট অসিদা মায়োক্লরকখিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকতগী ঙাকথোক্লবা অমসুং তমথীরবা লায়না অসিবু মরু ফংনা মুখৎনবগীদমক লেপ্তুনা লৌখৎলকখিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙরাং খক্তদা মীওই ৮,৩৭২ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রবা অপুনবা মীওইশিংগী মশীং ১৯,৯৭,২৩০ ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

থেংথদ্রিঙৈদা নম্বুল তুরেল কলহৌরসি : লেটপাও

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): থেংথদ্রিঙৈদা নম্বুল তুরেল কন্নবা মীয়াম্না কো-ওপরেসন পীবিদুনা তুরেল অসিগী হৌদোকমিন্নরকপা শক্তম অদুদা হঞ্জিন্নবা মতেং পাংবীয়ু হায়না ঙসি লৈঙাক্কী ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টনা নম্বুল তুরেল কন্দুনা অমসুং মসিগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা নম্বুল রন - ২০২১গী রেল্লি লমথারদুনা ৱাটর রিসোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ফোঙদোকখ্রে।

রেল্লি অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনাক্কী থোং নম্বোনবীদগী লমথারগা নম্বুল তুরেল ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

'নিংঙোল চাক্কৌবা' গী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) : মৈতৈ/মীতৈগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা য়েলহৌ কুম্মৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফুরুপ অসিগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈশিংগী মনুংদা থা অসিগী ৬ (হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা, থাংজ) নুমিৎতা মহৌশাগুম পাঙথোক্কদৌরিবা 'নিংঙোল চাক্কৌবা' থৌরমগী মাঙওইননা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি, লন্নাই লূপশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী প্রসিদেন্ট এন লোকেননা মহাক্কী পাউজেল অমদা খ্বাইদগী চাওরবা থৌরম 'নিংঙোলশিংগী নুমিৎ' লাকপদা কুম্মৈ অসিবু শরুক য়ারিবা মণিপুর অমদি তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়রি।

শাগৈ ওনখ্রবী মচে-মচল নিংঙোল ওইবীশিংবু মমা-মপা অমদি মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংনা চাক কৌদুনা মথেল লুকোই চামিন্নবা অমদি নিংঙোলশিংনসু মবুং-মৌপ্পাশিংদা য়াইফ থৌজাল পীবগী থৌরম লাক্লে ...মখা লামায় ৩ কলম ২

[illegible]

LOAN AVAILABLE

VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN

- ● Minimum Down Payment
- ● No Guarantor required
- ● One Day Delivery

Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur

Pliz contact :- 8787688086
Working Hour :- 10:00 am to 4:00 pm

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-P/0299/10th Oct to 9 Nov.

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫